**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙাগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবা অমদি ঙামীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা উন্নদুনা খন্নখ্রে।।

২) গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- নাগা মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিং লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ফাগৎলবা য়াই।

৩) ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টু মপুং ফানা কামজোং জিলাদা চৎনহন্নবগী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ঙসি খন্নখ্রে।

৪) নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা ভারত টেক্স ২০২৬ হয়েংদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি। ভারত টেক্স অসিদা মণিপুরগী কৌনাগী পোত্থোকশিং উৎকদৌরি।

অমসুং

৫) নাগালেন্দগী চুমুকেদিমা জিলাদা আই.ই.দি পোকখায়বদা অসাম রাইফলগী জৱান অমা শিরে, মরিনা শোক্লে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা ঙাগী পোত্থোক হেন্না পুথোকবা ফিসরি বিভাগনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি পুকিং থৌগৎনিঙাইনি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ফিসরি বিভাগকী কম্মিসনার অমসুং সেক্রেতরি রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম, দাইরেক্তর টি. ফুলেন মৈতৈ অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নরবা তুংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ফিসরি বিভাগনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংনা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা ঙামীশিংদসু হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। সরকার অসিনা ফিসরিগী থবক থৌরমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা মতমগা চুনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম.পি.এস.সি)গী নৌনা খল্লবা চেয়ারমেন ঐচ. গ্যানপ্রকাশ অমসুং সেক্রেতরি নিতা অরাম্বমগা লোয়ননা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা এম.পি.এস.সিনা ষ্টেট সিভিল সার্ভিসেস অমস্ং তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংগী থবক লৌবদা নিয়ম চুমা অমসুং মেরিৎতা খনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌনবা পাউতাক পীখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কম্মিসন অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা খনদুনা নিয়ম চুমা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা থৌরাংশিং পায়খৎলকনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, ৫৯ শুবা মাউন্টেন বৃগেদকী কম্মান্দর ভি.এস.এম- বৃগেদিয়ার সচিন এস. মহাদিক মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা লাক্তুনা দুরান্দ কপ ২০২৬ কী বার্তন তৌরকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- চাউথোকচনিঙাই ওইবা মীকুপ হায়বদু অমুক হন্না লাক্লে। ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা দুরান্দ কপ ২০২৬ কো-হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্লগনি। মসিনা রাজ্য অসিগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না খুমাং য়াংশিল্লগনি।

গোরখা সমাজগী প্রসিদেন্ট ভৱানি সুবেদি অমসুং সেক্রেতরি খরগা তমাংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনসু মুখ্য মন্ত্রিগা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখি। উন্নবা অদুদা গোরখা জাতিগী চাউখৎ থৌরাং অমসুং য়াইফনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎপদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিং লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ফাগৎলবা য়াই।

থৌরম অমা য়াওবা লাকপদা পাউমীশিং হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাকা হায়- নাগা মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই অনি ফারে। অতৈসু অথুবা মতমদা ফাবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

কান্তো শাবলদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থারম্বা অদুগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- য়ুমশিং অদু লৈমাখোং মিলিটরি ষ্টেসনগা য়ামা নকবা অমদি সেক্যুরিতি মরাং কায়না লৈবা মফম ওইবনা করিগুম্বা অশোইবা খরা লৈখিব্রা হায়বসি খল্লি। মহাকা হায়- থৌদোক অদু ইখঙ খঙহৌদনা চথরকখিবনি অমদি মদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকফম থোকই। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক থোকপা নুমিৎতা মীওই ২০ লৌখৎখি। মদুগী মনুংদা মীওই অহুম ৱাহং পাউহং চত্থনবা পুলিস কষ্টদিদা থল্লি, অতৈ মীওইশিংনা থাদোকখ্রে। শ্রী গোবিনদাসনা হায়- মণিপুর পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফ মফম অদুদা থমদুনা ঙাক শেনবগী থবক চথুরি।

গৃহ মন্ত্রি (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিশিংদা এম্বুলেন্স অনি খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- মমাংদা সেনাপতি অমসুং তমেংলোং জিলাদা এম্বুলেন্সশিং খুৎশিন্নখ্রে। পুলিসতা এম্বুলেন্স খুৎশিন্নবা অসিনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপা মতমদা অশোকপশিং পুথোক পুশিন তৌবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। রাজ্য অসিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- লম্বী ফগৎলকপা অমসুং অনৌবা মখলগী গাড়িশিং থোরকপা অসিনা গাড়ি কন্না থৌবগী চাং হেনগৎলক্কুনা মফম কয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবা তোইনা থোক্লক্লি। মণিপুর ড্রাইভরস এসোসিয়েসনবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- এসোসিয়েসন অসিনা এম্বুলেন্সশিং খুৎশিন্নরকপা অসি অফবা

খোঙথাং অমনি।

কামজোং (এল)ঃ ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টু মপুং ফানা কামজোং জিলাদা চৎনহন্নবগী মতাংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল.এন. কাসুংনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি অনিসুবা মণিপুর রাইফলস কমপ্লেক্সকী কেম্প ওফিসতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার ঐচ.এল. জৈন, এস.দি.ও অমদি দি.এল.ওশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জিলা অসিগী খুঞ্জাশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী মরুওইবা অমদি ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম মপুং ফানা চৎনহন্নবগী মরুওইবশিং খন্নখি। মহাকা ওফিসিয়েলশিংদা খুল খুলদা চত্তুনা মীয়ামগা উন্ননবা পাউতাক পীখি। ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টুগী গাইদলাইনগী মতাংদা ব্রাফমশিং খন্নদুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খুঞ্জাশিং অমদি মরী লৈনবা এস.দি.ওশিংগা তান্নদুনা থবক পায়খৎনবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংদা পাউতাক পীখি। মহাকা হায়- প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মরুওইবা খুলশিং মপুং ফানা চাওখৎহন্নবনি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা কামজোং জিলাগী ব্লোক অহুম- কামজোং, কাসোম খুল্লোন অমসুং সাহমফুং য়াওরি।

কামজোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল.এন কাসুংনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নুংথিল জিলা থাক্কী এন কোদ কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি, দি.এফ.ও অমদি সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মীওইশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা জিলা অসিদা ড্রগ ত্রাফিক্কিং অমসুং নিশাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী মতাংদা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা লৌখৎলিবা থবকশিং খন্নখি। জিলা অসিদা ড্রগকী সমস্যশিং মায়োকরিবা অসি থেংননবা হোৎনবদা লো এনফোর্সমেন্ট অমসুং সেক্যুরিতিগী মরক্তা মতেং পাংনবা য়ামমক তঙাইফদে হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখি।

ভারত টেক্স(এল)ঃ লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা টেক্সতাইলগী থৌরম

ভারত টেক্স ২০২৬ হয়েংদগী নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌরগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা থৌরম অসিদা টেক্সতাইল, ফেসন, সেষ্টেনেবিলিতি, টেকোলোজি, ইনোভেসন, ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং ইন্তরনেসনেল ত্রেদকী লমদা ভারত অসি মালেমগী লুচিংবা অমা ওইনা হৌগৎলক্লিবা অসি উথোক্কনি। থৌরম অসিদা পোৎ পুথোক্লিবশিং, লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং, মালেমগী ইনভেষ্টরশিং, পোলিসি মেক্করশিং, আর্তিসান অমদি ষ্টর্টঅপনচিংবা শরুক য়াগনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ভারত টেক্স ত্রেদ ফেদরেসনগী চেয়ারমেন- নরেন গোয়েনকানা হায়- ভারত টেক্সকী অহুমসুবা ইদিসন অসিদা টেক্সতাইলগী পোত্থোক লিশিং ২০ হেন্না উৎকনি। মসিদা বাইয়রস লিশিং ৭, লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওই লাখ ১ লিশিং ৩০ রোমা শরুক য়াগনি। মহাকা হায়- লৈবাক ১৪ গী ইন্তরনেসনেল একজিবিতরশিংস্ শরুক য়াগনি।

ভারত টেক্স ২০২৬ অসিদা মণিপুরসু শরুক য়াদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা টেক্সতাইলগী পোত্থোকশিং উৎকদৌরি। ভারত টেক্স অসি য়াওনবগীদমক হৌজিক হৌজিক নিউ দিল্লিদা লৈরিবা রাজ্যগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন সিংহনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- ভারত টেক্স অসিদা মণিপুরগী কৌনাগী পোত্থোকশিং, হোম ফরনিসিং প্রদক্ট, নিচ প্রদক্টতা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা উৎকনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ৪ রোমগী মমাংদগী মণিপুরগী পোত্থোকশিং মপান লৈবাক্তা থাদোক্তুনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহান্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফায়র সার্ভিসনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ৮ শুবা মেগা বেসিক ফায়র এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী হেদক্বাটরতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী ওজা ৩৬৭, ইন্দষ্ট্রিগী কর্ম্মচারি ৪৩, হোস্পিতাল অমসুং হেলথ সেন্তরশিংগী ডোক্তর অমসুং নর্স ১৩৬, হোতেলগী ষ্টাফ ২০, ওইল দিপোগী

য়াওনা পুন্না মীওই ৫৬০ হেন্না শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ  ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিংদা খুৎ-শা নিংথিনা করমা হামগদগে হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মহৈরোইশিংগী মরক্তা খুৎ-শা নিংথিনা লু-নান্না থম্বগী হৈনবী লৈনবনি। কেম্পেন অসি দিষ্ট্রিক্ট জোনেল ইজ্কেসন ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা পুন্না শিনবনি। থা অসিগী ৩১ ফাওবা চত্থগদবা কেম্পেন অসিদা জিলা অসিগী সরকারগী অমদি লনাই স্কুলশিং কোনশিনগনি।

বাল বিদ্যা (এল)ঃ       পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দির হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তোঙান তোঙানবা স্মার্ট ক্লাস রুম মরি ঙসি সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রানা হাংদোকখ্রে। বিধ্যা ভারতি শিক্ষা বিকাশ সমিতি মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ডাঃ অনুপম মিশ্রানা হায়- ঙসি মালেমগী ওইনা আই.টি য়াওনা

হিরম কয়াদা চাওখৎলবা মতম অসিদা ঙসি শঙ্গারিবা স্মার্ট ক্লাস রুম অসিনা স্কুল অসি ভারত খক্তা নত্তনা মালেমগী দিজিতেল ৱার্ল্ডদা চংশিনবা ঙম্লগনি।

নাগালেন্দ ঃ        নাগালেন্দগী চুমুকেদিমা জিলাদা আই.ই.দি পোকখায়বদা অসাম রাইফলগী জৱান অমা শিরে, মরিনা শোক্লে।

দিফেন্সকী পি.আর.ওনা হায়- অসাম রাইফলসকী কাংবু অদুনা চৎলিবা সুখোবী মপা য়ৌরকপদা আই.ই.দি অদু খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি। মদুদা অসাম রাইফলসকী জৱান অমা মফম অদুমক্তদা লৈখিদে, অদুগা মরিনা অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং মখা তানা লায়েংনবগীদমক মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুখ্রে। মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স চংশিন্দুনা থি

হুম্বগী থবক চথুবা হৌখ্রে। হৌজিমক্কী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোকপা জব্রানশিংগী মমিং মথা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

এসসি ঃ মীওই অমবু লৈবাক অসিগী নাগরিক নত্রগা ফোরেন্নরনি হায়না খঙদোকপগী থবক থৌরমশিং নিয়ম চুমা চথনবা সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি।

অসামগী ফোরেন্নরস ত্রাইবুনেল অমনা মীওই ২৭ পু ফোরেন্নরনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী মায়োক্তা মীওই ২৭ অসিনা থাংগৎলকখিবা পিতিসন অমা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। জষ্টিস বিক্রম নাথ অমসুং জষ্টিস সন্দিপ মহেতাগী বেঞ্চ অমনা গৌহাতি হাই কোর্ট অমসুং ফোরেন্নরস ত্রাইবুনেলনা মীওই ২৭ অসিগী মতাংদা তাখিবা রাই অদু মতম খরগী ওইনা চৎনদনবা খঙহনখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা হায়- মীওই অমবু লৈবাক অসিগী নাগরিকনি নত্রগা ফোরেন্নরনি হায়না খঙদোকপগী থবক চথুবা মতমদা নিতি নিয়ম চুমা চথুগদবনি অমদি আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়াশিন্নবা তৌরোইদবনি। ত্রাইবুনেল অসিনা মখোয়গী কেস অমুক হন্না পায়খৎত্রিবা ফাওবা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা পেতিসনরশিংগী মথক্তা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎতনবা পাউতাক পীখ্রে।

ম্যান্মার ঃ এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (অসিয়ান) লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ম্যান্মারগী মপান থৌরম মন্ত্রিগা ঙরাং থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুগী মরুওইবা পান দমদি- লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা অমদি হান্নগী ষ্টেট কাউন্সেল্লর ওং সান সু চি ফাজিনদুনা থল্লিবা অদুগী মতাংদা খন্ননবনি। কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারিদা লান্মীনা লৈবাক অদুগী শক্তি পায়শিনখ্রবা মতুং অসিয়ানগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ম্যান্মারগী মীহুৎ কাংবু অমগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শাবা অসি হন দক্কী অসিনা অহানবনি।

মীফম লোইরবা তুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফিল্লিপ্পিন্সকী ফোরেন এফ্যারস অন্দর সেক্রেতরি অমসুং ম্যান্মারদা অসিয়াগী অখন্নবা দুত

ওইনা লৈরিবা মারিয়া থেরেসা লাজারোনা মীফম অদুদা ম্যান্মারগী মপান থৌরম মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহন্‌খি। মহাকা হায়- ম্যান্মারগী মপান থৌরম মন্ত্রিগী মতুংইন্না চহি ৮১ শুরবী ওং সান সু চিগী ফিভম ফনা লৈরি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হয়েং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা ৱার্ল্ড কপ অনিরক লৌখ্রবা অমসুং মমাংগী রন্নরসঅপ ফ্রান্সকা ৱার্ল্ড কপ অমুরক লৌখ্রবা স্পেনগা দলাস ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা থা অসিগী ১৬ তা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি

দুরান্দ ঃ ১৩৫ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপ ২০২৬ কী ট্রোফি সো কেস, রোড সো অমসুং পাউগী মীফম লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তর পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, ইষ্টর্ন কম্মান্দগী চীফ ওফ ষ্টাফ- লেফটনেন্ট জেনেরেল গম্ভির সিংহ অমসুং ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জি.ও.সি- মেজর জেনেরেল সুভাংকর বাসু শরুক য়াগনি।

ক্রিকেট ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরকখিবা অহানবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তি টি-ট্বেন্তি ট্রোফিগী ফাইনেল হয়েং শান্নরগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা অক্সদো খাঙবোক্কা থাউ থাংমৈবন্দগা শান্নগনি।

কাং ঃ শ্রীশ্রী গোপালদেব কাংখুৎনা শিন্দুনা ১০ শুবা লেট মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যাবতি মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এল.এস.কে ৱাংগোইনা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১৯-১৩ দা থোইখ্রে।

হোক্কি ঃ সেয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা শিন্দুনা চখরিবা অনিসুবা ষ্টেট লেবেল টি.ঐচ. ইবোয়াইমা সিংহ মেমোরিয়েল হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা চহি ১৬ মখাগী নুপীমচাগী মেটচ অমদা সেয়ো ক্ষেত্রি লৈকাইনা ই.ৱাই.দি.সি ইরোশেম্ববু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী মেটচতা পি.দি.সি.বি চরাংপাৎনা ই.ৱাই.দি.সি ইরোশেম্ববু পাঞ্জল ১৮-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি.দব্লিউ.সি তাওবুংখোকনা ফাম থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখি।

------